**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 15-04-2025)**

**চুরাচান্দপুর (এল)ঃ** কেন্দ্রগী ত্রাইবেল এফিয়ার্স মন্ত্রালয়গী জোইন্ট সেক্রেটরি-টি.রৌমুৱান পাইতেনা হায়রি-ত্রাইবেলশিংগী ওইবা ধরতি অবা জন জাতিয়া গ্রাম উটকাস অভিয়ান (দাসগুৱা) অমসুং পি.এম. জনমান স্কিমশিং য়েংশিন্নবা জিলা থাক্কী অমসুং ব্লোক লেবেল কমিতিশিং শেম্নবগী তঙাইফদবা লৈ।

ৱাফম অসি ঙসি চুরচান্দপুরগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা দাসগুৱা অমসুং পি.এম. জন মান স্কিমদা যুম্ফম ওইবা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমদা মন্ত্রালয়গী জোইন্ট সেক্রেটরিনা ফোংদোকখিবনি। মীফম অদু ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা অমসুং হকথেংননা অনি থোকা পাঙথোকখি। মীফম অদুদা জোইন্ট সেক্রেটরিনা স্কিমশিং অসিগী মতাংদা চৎলিবা থা অসিগী মনুংদা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ওফিসারশিংগী ওইবা থৌরম কয়া পাঙথোকবা রাজ্য অসিদা লৈরিবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনশিংদসু খঙহনখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ত্রাইবেল এফিয়ার্স এন্দ হিলসকী দিরেক্তর-হানা কামৈ, দাসগুৱাগী ষ্টেট নোদেল ওফিসার-সেন্ট রিথুং অনাল য়াওনা অতৈ মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**সনাজাউবা(এল)ঃ** ককচিং জিলাগী ককচিং পনজাউ পল্লুমদা লৈবা ওল এজ হোম অমগী নৌনা শাবা এদমিনিষ্ট্রেটিব ব্লোক অমা ঙসি রাজ্য সভাগী এম.পি. মহারাজ লৈশেম্বমা সনাজাউবনা মীয়ামদা খুৎশিন্নখ্রে।

ওল এজ হোম অসি সেনিয়ার সিটিজন্স ফোরম ককচিংনা চল্লাইবনি অমসুং ওল এজ হোম অসিদা হৌজিক রিলিফ কেম্প ওইনসু মীয়ামা চংজফম লৌদুনা লৈরি।

নৌনা শাবা এদমিনিষ্ট্রেটিব ব্লোক মায়ামদা খুৎশিন্নবগী থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবনা হায়-সেনিয়ার সিটিজন্স ফোরম ককচিংগী ইগজকিটিব কমিতিগী মতেংগা লোয়ননা এম.পিগী লোকেল এরিয়া ফন্দগী লুপা লাখ ১৫ কায়থোক্তুনা এদমিনিষ্ট্রেটিব ব্লোক অসি শাবনি। মহাকা হায়-থম্মোয় শেংনা হোৎনবনা শেল য়ামা চংদনা অতেনবা মতমদা ব্লোক অসি শাবা লোয়বা ঙম্বনি।

থৌরম অদুদা জিলা অসিগী এম.এল.এ. ময়াংলম্বম রামেশ্বর, সিটিজন্স ফোরম-ককচিংগী প্রসিদেন্ট-নোংমাইথেম নিমাই সিংহসু শরুক য়াখি।

**থৌবাল (এল)ঃ** থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট বার এসোসিয়েসনগী ৩৬ শুবা মপোক কুমওন থৌরম থৌবালগী কোর্ট হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট বার এসোসিয়েসননা শিনদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা হায় কোর্ট ওফ মনিপুরগী চীফ জষ্টিস-দি. কৃষ্ণকুমারনা হায়-উকিলশিংনা ৱায়েল থৌদাগী শিনফম অসিদা কৎথোকপগা লোয়ননা থবক তৌবগী তঙাইফদবা লৈ। উকিলশিংনা তৌরিবা থবকশিং অসিসু মীয়ামগীদমকনি হায়বসি মীয়ামনা খঙবীবা চংই।

**থৌবাল(এল)ঃ** খোঙজোম নুমিৎ পালন থৌরমগী শেম শাবগী শরুক অমা ওইনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবালনা শিনদুনা ঙসি খোঙজোম ৱার মেমোরিএল কমপ্লেক্সতা লম-তু শেংদোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-অহন্থেম সুভাসনা হায়-থা অসিগী ২৩ দা পাঙথোক্কদৌরিবা খোঙজোম নুমিৎ পালন থৌরমগা মরী লৈননা ৱার মেমোরিএল কমপ্লেক্স অসিগী অকোইবগী ফিভমশিং লু-নান্না থমবগী পান্দমদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

থৌরম অদুদা জিলা অসিগী এস.পি. সিবানন্দ সুরভে, পুলিস

পার্সোনেলশিং লোয়ননা তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী কর্ম্মচারিশিংসু শরুক য়াখি।

**রেবিস(এল)ঃ** মণিপুরদা রেবিস লায়না থিংনবা চেকশিল থৌরাং লৌখৎপা ওইনা এন্তি রেবিস ভেক্সিন কাপথোকপগী থৌরম মফম কয়াদা লেপ্তুনা পাঙথোক রি। ঙসিসু ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী কৈরাউ বিত্র অৱাং লৈকাইদা লৈবা ইরিলবুং লাইব্রেরি য়ুনিয়নগী কমপ্লেক্সতা ভেটিরিনরি বিভাগকী মখাদা হুই হৌদোংশিং হিদাক কাপথোকখি।

দিষ্ট্রিক্ট ভেতিরিনরি ওফিস ইম্ফাল ইষ্ট পোরোম্পাৎকী মীয়েং মখাদা ভিলেজ লেভেল ফেদরেসন পৌরাবী অমসুং পৌরাবী দেভলপমেন্ট কম্মিতিনা পুন্না শিন্দুনা ঙসি রেবিস লায়নাদগী ঙাকথোকবা হিদাক কাপথোকপগী থৌরম অমা পৌরাবী লাইনিংথৌ পুথিবা লম্পাক্তা পাঙথোকখ্রে। পুন্না হুই ১০০রোম হিদাক কাপথোকখি।

**কংগ্রেস (এল)ঃ** সংসদতা হন্দক্তা পাস তৌখিবা ৱাকফ এমেন্দমেন্ট এক্ট-২০২৫ গী মায়োক্তা মনিপুর কংগ্রেস কমিতি (এম.পি.সি.সি) না সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎখ্রে।

এম.পি.সি.সিগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট, হান্নগী এম.এল.এশিং-ফজ্‌র রাহিম অমদি আমিন সাহনা পিটিস্নার ওইরগা ৱাকৎ চেরোল অদু সুপ্রিম কোর্টতা লানখৎখিবনি। ৱাকৎ অসি পীশিনবদা এম.পি.সি.সিগী লিগেল দিপার্টমেন্টকী ভাইস চেয়ারমেন অমদি দলগী ৱাঙাংলোয় এদভোকেট-ডা: রবি খানসু শরুক য়াখি। কেস অসিগী মোসন হিয়ারিং হয়েং সুপ্রিম কোর্টতা খন্নরবা য়াই হায়রি।

ৱাকফ এমেন্দমেন্ট এক্ট ২০২৫, হন্দোকপীনবা ইস্লামিক দিবলপমেন্ট কাউন্সিল-মনিপুরনা সরকারদা আপিল তৌরি। এক্ট অসি চৎনহন্দনবসু কাউন্সিল অসিনা সুপ্রিম কোর্টতা আপিল তৌরি।

ককচিং জিলাগী মনুং চন্না লৈবা সোরাদসু ঙসি ওল সোরা ক্লবস কোওর্দিনেটিং কমিতি, অনজমান নাসুল ইস্লাম সোরা অমদি জামিয়াদ উলাম ঈ-হিমনা শিন্দুনা এক্ত অসিগী মায়োক্তা য়ানিংদবা ফোংদোক্নুনা মীয়ামনা রেল্লি কয়া চৎখি।

**অরোগ্যা(এল)ঃ** লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম আয়ুসমান অরোগ্যা মন্দির (এ.এ.এম) গী তরেৎশুবা চহিগী থৌরম মনিপুরদসু পাঙথোক্লি।

ইম্ফাল ইষ্টকী ওইনা থৌরম অসি জিলা অসিগী চীফ মেদিকেল ওফিসার-ডা: এল. ইন্দিরা দেবীগী মীৎয়েং মখাদা জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকখি। থৌরমগা মরী লৈননা খুরাই হৈনৌ মখোঙদা আয়ুসমান অরোগ্যা শিবির পাঙথোক্নুনা টেষ্ট তৌবা অমসুং য়াগী এক্স-রেনচিংবা লৌবগী থবক চথখি। হৈঙাং প্রাইমারি হেলথ সেন্টরদা পাঙথোকপা থৌরমদা সরভাইকেল কেন্সর খঙদোকবা টেষ্ট তৌবগী থবকসু চথখি।

থৌরম অসি ইন্ফাল ৱেষ্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা আয়ুসমান অরোগ্যা মন্দির, হেলথ এন্দ ৱেলনেস সেন্টরশিংদসু পাঙথোকখি।

**তৌসেম (এল)ঃ** তমেংলোং জিলাগী তৌসেম প্রাইমারি হেলথ সেন্টরদা অথুবা মতমদা ডাক্তর অমা থাবীরকবা তৌসেম এরিয়া ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসননা মরি লৈনবশিংদা আপিল তৌরি।

চেরোল অমদা লুপ অসিনা হায়-প্রাইমারি হেলথ সেন্টর অসিদা হান্না মথৌ তৌরম্বা ডাক্তর অমা ত্রান্সফর তৌখিবদগী হেলথ সেন্টর অসিদা ঙসি ফাওবা ডাক্তর লৈতবগী অৱাবা মায়োকরি। মসিনা সব-দিভিজন অদুদা লৈরিবা মীয়ামগী অনা-লায়েংগী লমদা চাউনা অকায়বা পীরি হায়রি।

**ফয়ার (এল)ঃ** নেসনেল ফয়ার সার্ভিস ৱিক ২০২৫ গী পালন থৌরমগী ঙসি নিনি চনবা নুমিৎতা জেনিমস হোস্পিতাল-পোরোম্পাৎ অমসুং সাইবো হোস্পিতাল-খুরাইদা ফয়ার এন্দ লাইফ সেফতিগী মরমদা এৱারনেস কম মোক দ্রিল পাঙথোকখ্রে।

**এৱার্ড (এল)ঃ** দা মৈতৈ সোসাইতি-চুরাচান্দপুরগী এদভাইজর ওইনা থৌ পুরিবা কমল তোইজামবু চহি অসিগী হৈস্নাম বসন্তাকুমার এৱার্ড পীনবা খল্লকপদা সোসাইতি অসিনা নুংঙাইবা ফোংদোকখ্রে।

মনা অসি সাহিত্য থৌদাং লুপনা চহি খুদিংগী পীদুনা লাকপনি।

**মৈ (এল)ঃ** এম.এস.পি.দি.সি.এলগী কর্ম্মচারিশিংনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা দ্রাইব চত্থবদা মৈ লান্না শিজিন্নরম্বা কঞ্জুমর ১০ ফাগৎখ্রে। অতোপ্পা কঞ্জুমর ২৬ কী মৈ ককথৎখ্রে।

**কন্দোল(এল)ঃ** মণিপুরগা শকাইরবা খুনুং ঈশৈ শৈশকপা থোঙাম গোসে মৈতৈনা লৈখিদবদা মনিপুর দ্রামাতিক য়ুনিয়ন (এম.দি.য়ু) না থম্মোয় শোকা অৱাবা ফোংদোকখ্রে। মহাক য়ুনিয়ন অসিগী এসোসিয়েট মেম্বর অমসুং ম্যুজিক ইন-চার্জ ওইনা থৌ পুরম্মী হায়রি।

গোসে মৈতৈনা লৈখিদবদা ইথনো হেরিটেজ কাউন্সিল (হেরিকোন) নসু অৱাবা ফোংদোরক্লি।

ঙরাং লৈখিদ্রে। মশাগী চহী ৭৫ শুখ্রে। গোসে মৈতৈ মশাগী অনাবা অমদগী ইম্ফালগী নাগামপাল শিংজবুং লৈরক্তা লৈবা মশাগী য়ুমদা লৈখিদবনি। মহাক অকাশবানি ইম্ফালগী বি.গ্রেদ আর্টিসনি। মহাকা হিংলৈঙৈ মতমদা

**মেটঃ** ইন্দিয়া মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি-কুমশি চহিগী নোংজগী ফিভম হান্নগী চাংদগী খরা হেনগৎলবা য়াই।

ন্যু দিল্লিদা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবদা ইন্দিয়া মেট দিপার্টমেন্টকী দিরেক্তর জেনরেলনা হায়-নোংজগী চাং অসি লৈবাক্কী অয়াম্বা মফমশিংদা হান্নগী চাংদগী হেন্না চুগনি অদুগা অৱাং নোংপোক, অৱাং নোংচুপ অমসুং খা থংবা পেনিনসুলরগী মফমশিংদা খরা হন্থনা চুরবা য়াই।

অকাশবানি পাউমীগা অখন্ননা উন্নবদা আর্ট সাইন্সেস মন্ত্রালয়গী সেক্রেটরিনা হায়-চহি অসিগী মে অমসুং জুন থাদা শাবগী চাং হৌখিবা চহিগা য়েংনবদা খরা হেনগৎলবা য়াই।

**অমরোমদা,** লাক্লিবা নুমিৎ মঙানি অসিদা অৱাং নোংপোক লমদম অমসুং নোংপোক ভারত্তা মচি মচিদা অমসুং মফম খরদনা পাক শন্না পারপ্পদগী হৌরগা ময়াই ওইরপ ফাওবা নোং চুরবা য়াই। অখাক অরাও অমসুং বজ্র তাবা য়াওনা অকনবা নুংশিৎ শিৎলবা য়াই হায়রি।

**পোলোঃ** মনিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ স্পোর্টস এসোসিয়েসননা শিনদুনা পাঙথোকপা ২০ শুবা গভনরস কপ ৱিমেন্স শগোল কাংজৈ পোলো টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা অসাম রাইফলস পোলো টিমনা মনিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবপু পাঞ্জল ১৮-১ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা মনিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (বি) না চিংখৈঙানবা পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ১০-২ দা থোইখি।

**ক্রিকেটঃ** আর.সি.এ. লিলোংনা চহি ২৩ মখাগী অনিশুবা এম.এন.সি.এ. মেন্স হাউবম বিরমঙ্গোল সিংহ মেমোরিএল ট্রোফি-২০২৪-২৫ গী চেম্পিয়ন ওইরে।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা আর.সি.এ. লিলোংনা পি.সি.সি.

ময়াইকোইবীবু ৱিকেট তরুক্তা থোইখি।

**ক্রিকেটঃ** চহি ২৩ মখাগী অহানবা এম.এন.সি.এ. ৱিমেন্স ৱান ডে ট্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা টি.সি.এম.দি.সি. থোংজ় পার্ট টু পেচু লম্পাকা অল-অমিন লিলোংবু রন-১০৯ দা থোইখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা থাউ থাংমৈবন্দনা পি.টি.সি.সি. পাৎশোহবু রন-৬৭ তা থোইখি।

**ফুটবোলঃ** চহি ১৩ মখাগী নুপাগী ইন্টর ক্লব ফুটবোল লিগ টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ইশোক এফ.সিনা ময়াং ইম্ফাল য়ুনাইটেদ এফ.সিবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা মেটচশিংদা-খুমন এফ.এনা এন.বি.সি.এবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি অমসুং অনৌবা ইমাগী মঙাল অমসুং য়ঙ সমার্ট য়ুনিতি ক্লব পাঞ্জল অনি অনি চন্নদুনা ড্রো চৎখি।

**আইপিএলঃ** আই.পি.এল. টি-টোইন্তি ক্রিকেটকী মেটচ অমদা ঙসি কোলকাতা নাইট রাইদরসকা কিংস এলভেন পঞ্জাবকা, পঞ্জাবকী মহারাজা যাদবিন্দ্র সিংহ ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা হৌজিক ঙাইহাক্কী মতুংদা শান্নরগনি।

**হোক্কিঃ** থা অসিগী ২৬ তগী মে ৪ ফাওবা ওস্ট্রেলিয়াগী পর্থ হোক্কি স্তেদিয়মদা শান্নগদবা ভারত অমসুং ওস্ট্রেলিয়াগী মেটচ মঙাগী ওইবা সেরিসতা শরুক য়ানবা ভারতকী নুপী হোক্কী টিমগী স্কৱাট লাউথোকপদা মণিপুরদগী শান্নরোই মরি য়াওরে। মনিপুরগী শান্নরোইশিং অদুদি-নহা ওইরিবী গোল কিপর বিচু দেবী খারিবম, মমিং লৈরবী হোক্কি শান্নরোই সুসিলা চনু পুখ্রম্বম, খাইদেম

সিললৈমা চনু অমদি সুমন দেবী থৌদাম নি।

মিটফিল্ডর সালিমা টেটে অমদি ফোরৱার্দ নবনিট কোরনা ভারত হোক্কি টিমগী কেপ্তেইন অমদি ভাইস কেপ্তেইন ওইনা সেরিস অসি শান্নগনি।